## ৩৫শুবা ষ্টেট ওপন ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫

# সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবা টিমশিং খঙবা লোইখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৯ ঃ** মণিপুর ৱাটর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙরাংদগী শ্যাম পুখ্রি কোংবা বজার ইম্ফাল ইষ্টতা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা চখরকখিবা ৩৫শুবা ষ্টেট ওপন ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫গী রাউন্দ রোবিন লীগগী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবা টিমশিং মশক খঙবা লোইখ্রে।

সেমি ফাইনেল চংখ্রবা টিমশিং অদুদি দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–এ, কে ৱাই ও–এ, সি এ সি অমদি কে ৱাই ও–বি নি। সেমি ফাইনেলগী মেটচ অনিমক হয়েং অয়ুক্কী পুং ৯.৩০ অমসুং ১০.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

৩শুবা পোজিসনগী মেটচনা সেমি ফাইনেল মেটচ অনি অসিদা মায়থীহৌবা টিমশিং অদুনা নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

ফাইনেল মেটচনা তাং ১১গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা মেটচতা দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও –এনা দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–সিবু গোল ১৪–২ দা মায়থীবা পীখি। দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–এ গী গোলশিং অদু কে এস ঐচ বথ্রজিৎনা গোল ৫,এল লেনিন, এল বেবেকানন্দ, এল বোবি অমদি এন জি সোবিননা গোল ২ / ২, টি ঐচ উমাকান্ত, টি ঐচ রোবিনসন, কে এস ঐচ রামানন্দনা গোল অমমম চনখিবনি।

দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–সিগী গোল অনি অদুনা এল বিজেন্দ্রনা চনখিবনি।

অহান্বা, অনিশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–এনা মথংশিৎনা গোল অহুম, অমা,মঙা অমদি মঙা লৌখি।

দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–সিগী গোল অনি অদুনা মরিশুবা ক্বার্টরদা চনখিবনি। মায় পাকখিবা দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–এগী শান্নরোইশিং অদুদি টি ঐচ ভারত, এল লেনিন, এল বেবেকান্ত, এল বোবি, টি উমাকান্ত, টি ঐচ রোবিন্সন, এল প্রিয়োবর্তা, এন দুসন্ত, দল্লিয়ু ধন্বীর, কে এস ঐচ রামানন্দ, এল বালেশ্বর, এন জি সোবিন অমদি কে এস ঐচ ভথ্রজিৎনি।

দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–সিগী শান্নরোইশিং অদুদি এল জিবন সিংহ, এম খৃষ্টোফর, এল হোরিন, এল লেনিক্স, কে এস ঐচ মালেমঙান্বা, ৱাই সুরেন্দ্র, এল দিক্সন, এম লাবা, এন জি লারৈহেন্বা, এন রিসিকেস, কে এস ঐচ লকি অমদি এল বিজেন্দ্রনি।

নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচতা কে ৱাই ও–বি না দল্লি ৱাই এল সি ও–সিবু গোল ৭–১ দা মায়থীবা পীখি।

কে ৱাই ও–বিগী গোলশিং অদু পুখ্রম, এম মোইরাংবা মৈতৈ অমদি এল জোসিনা গোল ২ / ২ অমদি থৌবা মোইরাংথেম্না গোল অমা চনখিবনি।

দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এম খৃষ্টোফরনা চনখিবনি। মেটচ অদুগী অহান্বা, অনিশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা মায় পাকখিবা কে ৱাই ও–বি না মথংশিৎনা গোল ২ / ২, অমা অমদি অনি চনখিবনি।

দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মরিশুবা ক্বার্টরদা চনখিবনি।

কে ৱাই ও–বিগী শান্নরোইশিংদি য়াম্বেম তোন্দোম্বা, থৌবা মোইরাংথেম, পুখ্রম, পাঙম্বম থোইথোই, এম মোইরাংবা মৈতৈ, রাকেস কহাজম, এল লোয়াঙম্বা, এল জোসি, এ ৱাই সরনকুমার, দল্লিয়ু বোরিস অমদি এস পুন্সিবানি।

দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–সিগী শান্নরোইশিং অদুদি এল পিক্সন, এম খৃষ্টোফর, এল হেরিনি, এল লেনিক্স, কে এস ঐচ মালেমঙান্বা, এল ভেলেঞ্জিৎ, ৱাই সুরেন্দ্র, এল জিবন্ত, এম লাবা, এন জি লনচেম্বা, এন রিসিকেস, কে এস ঐচ লকি অমদি এল বিজেন্দ্রনি।

নুংথিলদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কে ৱাই ও–এ অমদি দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–বি গোল ৫–৫ দা দ্রো ওইখ্রে।

কে ৱাই ও–এগী গোলশিং অদু এম প্রিয়াচন্দ্রনা অমদি ঐচ রাজেসকুমারনা ২ / ২ অমদি এস তোকেন্না অমা চনখিবনি।

দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–বিগী গোল মঙা অদুনা এন জি বার্লিননা অনি, কে ঐচ লোয়াঙম্বা, এল রোবিন্সন অমদি এল রোবার্টনা অমমম চনখিবনি।

অহান্বা, অনিশুবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা কে ৱাই ও–এনা মথংশিৎনা গোল অহুম,অনি অমদি অমা লৌখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদদি গোল অমত্তা লৌখিদে। দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–বিগী গোলশিং অদুনা অহান্বা অমদি অনিশুবা ক্বার্টরদা ২ / ২ অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল অমা লৌখিবনি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদদি দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–বিসু গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।



*কে ৱাই ও–বি অমদি দল্লিয়ু ৱাই এল সি ও–সিনা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা*

## ৩৭শুবা ষ্টেট লেভেল ৱুমেন স্পোর্টস কম্পিটিসন

# ভোল্লিবোল ফাইনেলদা বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ইষ্ট শান্নরগনি

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৯ ঃ** বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ইষ্টনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাংদগী হৌদুনা রজিব গান্ধি খেল অভিয়ন (আর জি পি) স্কিমগী মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা চখরিবা ষ্টেট লেভলে ৱুমেন স্পোর্টস কম্পিটিসন ২০১৫–১৬গী ভোল্লিবোলগী ফাইনেলদা শান্নরগনি।

হেন্দবোলগী লীগ রাউন্দগী মেটচশিংসু শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলদা শান্নগদবা টিমশিং খঙবা লোইখ্রে। অহান্বা সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টগা অমদি অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা থৌবাল অমদি বিষ্ণুপুর শান্নরগনি।

হোকিগী শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন লীগগী মেটচশিংদনা থৌবালনা ইম্ফাল ইষ্টবু গোল ৬–১ দা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টনা থৌবালবু গোল ৫–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

এঠলেটিক্সকী মিটর ৮০০গী লমজেলদা ইম্ফাল ইষ্টগী এন চাওবা, হায় জম্পদা ইম্ফাল ইষ্টগী এস ইনাকখুন্বী, সোট পুটতা চূড়াচান্দপুরগী হোইনৈকিম সামতে, মিটর ৩০০গী লমজেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টগী এস সোনিয়া, মিটর ৪০০গী লমজেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী কে জিবনলাতা, মিটর ১০০গী লমজেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টগী এ বেঙ্কি অমদি দিকস থ্রোদা সেনাপটিগী রাবিনিনা ফর্স্ত তাখ্রে।



*বিষ্ণুপুর অমদি সেনাপটিনা শান্নখিবা মেটচগী মতাং অমা*

# নহাকপম অপাবী মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৯ ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা থা অসিগী ৭দগী এস দল্লিয়ু সি গ্রাউন্দ খোঙমনদা চখরিবা নহাকপম অপাবী মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান–তোঙান্বা গ্রুপগী লীগ মেটচশিংদা ৱাই এম সি হরাওরৌ অমদি জে এম এস মপাও খুলেন গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

কে ঐচ ভি ৱাই দি এস খোঙসাই ভেঙনা এফ য়ু সি উয়ুম্পোকপু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহান্বা গ্রাউন্দদা গ্রুপ (সি)গী ৱাই এম সি অমদি জে এম এস না শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদ্রবসু মেটচ অদুদা ৱাই এম সিগী টি ঐচ ষ্টেলিনদা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা কে ঐচ ভি ৱাই দি এসনা এফ য়ু সিবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখি।

কে ঐচ ভি ৱাই দি এসগী গোলশিং অদু সৈখোচোননা ২ অমদি লেটদিংলেন ১ চনখিবনি।

এফ য়ু সিগী গোল অনি অদুনা লেটবোসন অমদি কে ঐচ ভি ৱাই দি এসগী সোলোমেন্না অমমম চনখিবনি।

# ইন্দো–পাক আর্ম রেষ্টলিংদা ইন্দিয়ানা মেডল ৫ লৌখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৯ ঃ** লাহোরদা হৌখিবা থা অসিগী ৬দগী ৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্দো–পাক আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী ৱুমেন টিম্না গোল্ড অহুম অমদি সিলভর অনি য়াওরগা পুন্না মেডল মঙা ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী ৱুমেন টিমদা মণিপুরদগী আর্ম রেষ্টলর তরুক য়াওখিবগী মনুংদা আর্ম রেষ্টলর মঙানা মেডল লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী ৱুমেন টিম্না চেম্পিয়ন ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

মেডল লৌখিবা আর্ম রেষ্টলরশিং অদুদি এন রোজিমালা দেবী কেজি ৫৫ না সিলভর, এস রানি দেবী কেজি ৬৫ না গোল্ড, এম মেমচা দেবী কেজি ৭০ না গোল্ড, এস ঐচ সান্তি চনু কেজি ৮০ না সিলভর অমদি এস ইনাও দেবী কেজি ৮০ মথক্কা গোল্ড লৌখিবনি। মীচৎ পুরকখ্রবা আর্ম রেষ্টলরশিং ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা শিংজমৈদা লৈবা এদুকেস্নেল গাইদেন্স সেন্তরদা থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

# টর্জান অমদি মেদোনানা মকোক ওইখ্রে



*মকোক ওইবগী মনা লৌরবা মতুংদা মেদোনা অমদি টর্জান (ওইরোমদগী)*

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৯ ঃ** অপুন্বা ফিটনেস সেন্তর (এ এফ সি) নগামপালনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ৫শুবা এ এফ সি ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৫গী মেগা ইভেন্ট ঙরাং পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা চেলেঞ্জ অসিগী মেলগী ওইনা ত্রঙ্ক নম্বর–৬২ এন টর্জান মৈতৈনা অমদি ফিমেলগী ওইনা ত্রঙ্ক নম্বর–১০৬ থোকচোম মেদোনা দেবীনা মকোক ওইখ্রে।

মেলগী ২শুবা অমদি ৩শুবা পোজিসন্না ত্রঙ্ক নম্বর–১৫৮ অচোম প্রেমানন্দ সিংহ অমসুং ত্রঙ্ক নম্বর–২১১ থোংবম ষ্টেলিন সিংহনা তাখ্রে।

ফিমেলগী ২শুবা অমদি ৩শুবা পোজিসন্না ত্রঙ্ক নম্বর–১০৭ দেবীকা চীংথাম অমদি ত্রঙ্ক নম্বর–২৯৮ ওইনাম অচৌবী দেবী না তাখ্রে।

চহি ৪০ মথকগী সেনিয়র মোষ্ট মেল প্লেয়ারগী মনানা ত্রঙ্ক নম্বর–১৬৮ লোইতোংবম অমুবা সিংহনা তাখিবগা লোয়ননা কেটাগোরি অসিগী ফিমেলগী চপ মান্নবা মনাসু ত্রঙ্ক নম্বর–২৯৮ ওইনাম অচৌবী দেবীনা তাখ্রে।





















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*